থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# খা-মণিপুর দ্রামা ফেস্তিবেল-২০১৭



লাংমৈদোং দ্রামাতিক য়ুনিয়ন (এল দি য়ু) মণিপুরদা লৈরিবা অতৈ দ্রামা সংস্থানগুম, দ্রামা পামজবা মীওই মঙা তরানা পূল্লগা লিংখৎপা, ইচম চম্বা দ্রামাতিক আর্তকী এক্সর্সাইজ তৌফম, দামা উৎফম অমা নত্তে। মমীংতবু ইন্দিভিজ্যুঅল য়ুনিত অমা মাঙ্বনি। য়ুনিত কয়াগী তুংফমনি। ঈচেল কয়াগী ইতিনফমনি। মণিপুরগী খা মায়কৈ ঙাক্লিবা, মোদর্ন মণিপুরী থিয়েতর মুবমেন্ততা শীংথানিংঙাই ওইবা থৌদাং অমা য়াক্লবা থিয়েতর ওর্গনাইজেসন অমনি - লাংমৈদোং দ্রামাতিক য়ুনিয়ন। ১৯৫৫, ওক্তোবর ৩১, মেরা থাগী থানিল (পূর্নিমা) নুমিত্তা শাফোঙলকখিবা সংস্থান অসিনা, অকা-অকুম নাইবা শাংলবা চহী ৬২ গী খোঙচৎ অমা চৎলকখ্রে। ওক্তোবর ৫, ২০১৭ কী মতুংদগী ৬৩ শুবা চহীদা খোঙ থাঙজিনবা হৌরকখ্রে। মশক নাইবা, মমীং চৎলবা লীলা কয়া লেপ্তুনা পুথোরকপসিগী মথক্তা, এল দি য়ুগী থোইদোক্লা শীংথানিংঙাই ওইবা থবক অমদি চহী খুদিংগী লেপ্তুনা মণিপুর পূম্বগী ওইবা দ্রামা ফেস্তিবেল অমা অথোয় অহেন তান্নবগী মওংদা পাঙথোক্লিবা অসিনি।

ওক্তোবর ৫, ২০১৭ শগোলশেন নুমিৎ - দ্রামাতিক য়ুনিয়ন অসিগী ৬২শুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখি। মপোক কুমওন নুমিৎসিদা চহী খুদিংগী পাঙথোক্লিবা দ্রামা ফেস্তিবেল অসিগীসু অহৌবা নুমিৎ ওইগনবনি। কুমশি চহী অসিগীদি মণিপুরগী খুঙ্গং শীন্না পাঙথোকপা পঞ্চায়ত ইলেক্সন, ওক্তোবর ৭ তা লৈবা অমদি ১১ দা ইলেক্সন রিজল্ট হায়দোক্কদবা লৈবনা, কুমওন থৌরম অমদি হৌদোক থৌরম অনীমক পুল্লপ পুনশিল্লগা লীলাগী অথোয় অহেন তান্নবনা, ওক্তোবর ১২ দগী হৌগনি। অয়ুক পুং ৯ দগী হৌবা থৌরমদু ওইনাম এসেমব্লী কন্সতিত্যুয়েন্সিগী এম এল এ, এল রাধাকিশ্বরনা অথোয়বা মীথুংলেন ওইরগা, য়ুনিয়নসিগী চ্যেয়রমেন টিঐচ ঙৌবনা থৌরম মপু ওইখি। থিয়েতর য়ুনিত অসিগী দিরেক্তর, হৌজিক্তি হিয়াংলম কেন্দ্রগী এম এল এ ওইরবা ৱাই রাধেশ্যামনা অখন্নবা মীথুং ওইখি।

খা-মণিপুর দ্রামা ফেস্তিবেল হায়না মীংথোনবা দ্রামা কম্পিতিসন অসি ঙসিগী মওং অসিদা করম্না ওইরকখিবা - শাংলবা ৱারী অমনি। ১৯৭২, অনৌবা লীলাগী অশাবা নুংশিৎ অমা মণিপুরদা শীৎপা হৌরকখিবা, জি. সি. তোংব্রাগী মতুংদা মথঙগী মীরোলগী দিরেক্তরশিং - পুখ্রম্বা শামু, কনহাইলাল, সনখ্যা ইবোতোম্বী অমদি রতন থিয়াম্মচিংবগী যূম্ফম থোল্লকপা মতমদুদা, ইম্ফালগী ঈশিং নুংশিত্তগী লাম্পা, লাংমৈদোং দ্রামাতিক য়ুনিয়নগী থৌমীশিংনা, অকোয়বা খুঙ্গংশিংদা লৈবা ক্লব অমদি স্কুলশিংগী নহা ওইরিবা কলাকারশিংনা শান্নবা লীলা মচা, মতমদুদা ৱান এক্ট প্লে হায়না খঙনরম্বা লীলাশিংগী অথোয় অহেন তান্নবগী থৌরম অমা পাঙথোক্লম্মী। চাংয়েংদুনা মায় পাকপদগী, মথং চহীদগীদি স্কুল, ক্লবশিংগী নত্তবা, থিয়েতর ওর্গনাইজেসনশিংনা শান্নবা অতেনবা লীলাশিংগী কম্পিতিসন ওইনা চহীঅহুম (১৯৭৩, ৭৪, ৭৫) পাঙথোকখি। অতেনবা লীলাগী মহাওদুদা পেন্দ্রবা অয়েংবশিংগী দিমান্দগী, ১৯৭৬ তগী হৌরগা ১৯৮৩ ফাওবা অশাঙবা লীলা কম্পিতিসন ওইনা পাঙথোকখি। মতমদুদদি, ইম্ফাল য়াওনা মণিপুরগী অতোপ্পা মফম কয়াদগী চাংয়েংদুদা য়াওশিল্লকপা হৌরক্লে। ওল মণিপুর দ্রামা কম্পিতিসন হায়না মমীং ওন্থোক্লে। মমীংসিগী মখাদা ১৯৮৫ দগী ১৯৯০ ফাও অশাঙবা লীলা কম্পিতিসন পাঙথোক্লককখি।

১৯৯১ দদি লাংমৈদোং দ্রামাতিক য়ুনিয়ন মথন্তনা পাঙথোকপা থৌরম অমা ওইরক্লে। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী, মণিপুরগী ওইনদি অমত্তা ঙায়রবা কলাগী ওথোরিতি ওইরিবা, কলচরেল এজেন্সী অসিসু অথোয় অহেন তান্নবা থৌরম অসিগী অসীন অরাঙদা পূন্না থৌদাং য়ারক্লে। ওল মণিপুর দ্রামা কম্পিতিসন! মমীংসিদা থোইদোকপা মতৌ অমা য়াওদবা, একাদেমী মশানা সীঞ্জবা 'ওল মণিপুর দ্রামা ফেস্তিবেল' হায়বা অমা লৈবদুগা, তোপ তোপ্পা মশক অমা থোক্লবা, ১৯৯১ দগীদি 'খা মণিপুর দ্রামা ফেস্তিবেল' হায়না অতোপ্পদই তোঙানবা মানবা মমীং অমা ওন্থোক্লে। খা থংবা মণিপুরগী শরুক্তা পাঙথোকপা, অমত্তা ঙায়রবা, অথোয় অহেন তান্নবগী স্পিরিততা পাঙথোকপা থিয়েতর ফেস্তিবেল অমা ওইনা অচৌবা মফম অমা কল্লে। তশেংবগী ওইনসু, লন্নাই সংস্থান অমনা শীন্দুনা পাঙথোকপা থিয়েতর ফেস্তিবেল, খ্বাইদই শাংনা, চাং নাইনা পাঙথোকপদি মণিপুরদা খা মণিপুর দ্রামা ফেস্তিবেল মথন্তবু ওইরিনি! প্রাইজ মনি য়াম্বসু, মণিপুরদদি মসিদই হেনবা অমা লৈতে। খা মণিপুর দ্রামা ফেস্তিবেলনা মণিপুরদা, পোপ্যুলর ওইবা থিয়েতর ফেস্তিবেল অমা ওইরক্লিবগী মরুওইবা মরমসি - কলাকারশিংদা পীরিবা মনাশিংগী ভেল্যু ৱাংবা অমদি অসীন অরাঙ তৌরিবশিংগী অচান-মীরান নাইদবা, পুকচেল শেংবা মতৌ - অনীসিনা শোয়দনা ওইগনি। ১৯৯৫ দগী ২০০০ ফাওবসু মণিপুরগী আর্ত এন্দ কলচর দিপার্তমেন্তনা শেলগী মতেঙ পীদুনা জোইন্ত ওর্গনাইজর ওইরম্মী। ২০০০ গী মখা তারকপদদি খোঙফম অদু হন্দোকখ্রে। ওইরম্বা য়াই - মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী য়াওরিবনিনা, দিপার্তমেন্ত অসিসু য়াওশিনবগী থোইনা মথৌ তাদরে, খনবা ৱাখল অমনা লমজিংবা।

হৌদোক থৌরম অদুগী অথোয় মীথুংনা ঙকখি - মতম অমদা মপাঙ্গল কন্না হিংলম্লবসু ঙসিদি অশিবা কলা অমা ওইরক্লবা কলা অসিবু, হিংনবই পাম্বে ওইদে খঙলবসু, কলাসিদা লূপ্লবা কাঙবু অমনা, করিগী অসুক হকচিন্না পাম্লুরিবা? জগোয়, ঈশৈ শান্নবনা মণিপুরগী মায় পুরকই, শিনফমসিদা চঙবীয়ু, শিনফমসিবু য়োকখৎসি - মন্ত্রি/এম এল এ অমত্তনা হায়রক্লোই। মণিপুরগী স্পোর্তস বজেৎ অমদি কলচর বজেৎ য়েংবীয়ু! এম এল এশিংনা স্পোর্তস নুংশি, কলচর য়োকখৎনীংই - কনানা করম হায়গনি? বিদ্যা-লমশিনি তৌরুনু - মচা মশুদা হায়বনি। '... মালেম শেগাক কায়না মমীং চৎলে হায়দুনা, মাবু কনানো থিহল্লুবদা দ্রামাদা ফাওবা ওইরম্লেদনা...' মন্ত্রি অমনা হায়খিবনি। ৱাহায়দো মথন্তগী নত্তে, মহাকুম্বা ময়ামদুগী কল্লেক্তিব ওইবা ৱাখলনি।

লৌশিং পুক্কে

# মীওইবদগী মীওইবদা জিকা ভাইরস শন্দোকপা

কাঙনা শন্দোকপা লায়নাশিংগী মনুংদা জিকাসু অমনি। অনাবা মীদা চিক্লুবা কাঙনা অতোপ্পা মীওইদা চিক্লুরগা লায়না অসি মথং মথং শন্দোকখিবনি। অদুবু মালেমদা অহানবা ওইনা মীওইবা মশেলগী মরক্তা লায়না অসি শন্দোকপগী থৌওং অমা সাইন্টিষ্টশিংনা হন্দক্তা থেংনখ্রে।



হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিভর্সিটি ওফ উটাহ স্কুল ওফ মেদিসিনগী রিছার্চরশিংনা হায়খি, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা জিকানা নারবা মীওই অমগী ঈদা ভাইরসকী চাংকা হেন্না য়াওবা মরম্না মীওই অদুগী হুমাং অমদি পিরাংদা মহীক য়াওরকপনি। অনাবা মীওই অদুগী মনাক্তা চঙলগা হুমাং অমদি পিরাং তৈথোকপীদুনা মতেং পাংলুবা অতোপ্পা মীওই অমসু লায়না অসি পল্লককখি।

কাঙ খক্তনা শন্দোকপা লায়নানি হায়না লৌনরম্বা জিকা ভাইরসনা মীওইবদগী মীওইবদা শন্দোরকপগী থৌওং থেংনরবনিনা হীরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা থৌরাং খরা মতম চানা লৌখৎহৌবা মথৌ তারে হায়না য়ুনিভর্সিটি ওফ উটাহ স্কুল ওফ মেদিসিনগী সঙ্কর স্বামিনাথননা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, এসিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমদা জিকা ভাইরস পাকশন্না শন্দোরকপা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়না ৱর্ল্দ হেল্ঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না ফোঙদোকখ্রে। ফিলিপিন্সকী কোনুং মনিলাদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা চহীগী মীফম অমদা দব্লিয়ু ঐচ ওগী দিরেক্টর মার্গরেট চাননা হায়খি, সাইন্টিষ্টশিংনা ভাইরস অসি লাকশিন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলবসু তম্বা ঙমদবা ফীভম অমদা লৈরে।

সিঙ্গাপোরদা জিকা ভাইরসকী কেস চা কয়া রিপোর্ট তৌরকখিবগা লোয়নননা থাইলেন্দদা জিকাগা মরী লৈনবা মাইক্রোসেফালিগী কেস অনী কনফার্ম তৌখ্রে। জিকা ভাইরসনা কা হেনবা মওংদা খুদোংথীবা থোকহন্দবা তারবসু মীরোনবী নুপীশিংদদি অসুক্কী মতিক খুদোংথীনিংঙাই ওই। মীরোনবী নুপীশিং জিকানা নারবদি ব্রেন শোয়বা অঙাং পোক্লককপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ।

মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ৭০ দা শন্দোকখ্রবা কাঙনা শন্দোকপা লায়না অসিগী মতাংদা খা নোংপোক এসিয়াগী লৈবাকশিংনা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তারে হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওনা ফোঙদোকখি।

দব্লিয়ু ঐচ ও সাউথ ইষ্ট এসিয়ন রিজন ওফিসনা হন্দক্তা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, মীওইবগী হকশেল, মরুওইনা মীরোনবী নুপী অমসুং পূক্লুংদা লৈরিবা অঙাংদা কা হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওইবা মরম্না লায়না অসি মাঙজৌননা ঙাকথোকহৌনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। থাইলেন্দ, ইন্দোনেসিয়া, মালদিভস অমদি বাংলাদেশ য়াওনা অৱাং নোংপোক এসিয়াগী লৈবাক খরদা হন্দক জিকা শন্দোরকপগী খুদম থেংনখ্রবনি।

অমরোমদা, দেঙ্গি, চিকনগুনিয়া অমসুং জিকা ভাইরসকী মথক্তা 'সর্জিকেল ষ্ট্রাইক' চথবা মথৌ তারে হায়না অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোকখ্রে। লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা চিকনগুনিয়া অমসুং দেঙ্গিনচিংবা কাঙনা শন্দোকপা লায়নাশিং পাকশন্না শন্দোরকপগী পাউ লৈরবনিনা জিকা ভাইরসসু য়ৌরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে।

*এদিস এজিপ্টি* কৌবা কাঙ মখল অমনা দেঙ্গি, চিকনগুনিয়া, য়েলো ফীবর অমসুং জিকা ভাইরস শন্দোকপনি। অফ্রিকাদগী হৌরকখিবনি হায়বা কাঙ মখল অসি হৌজিক্তি মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা য়ৌরকখ্রে। চিকনগুনিয়া, দেঙ্গি অমসুং জিকাগী লায়ওং হাইরপ মান্নবা মরম্না হীরম অসিগী মতাংদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা য়াম্না তঙাইফদে।

হন্দক্তা নেসনলগী থাক্তা ফোঙবা পাউচে অমগী রিপোর্টনা হায়খি মদুদি, হৌখিবা ওগষ্ট ৩১ ফাওবদা লৈবাক অসিগী ওইনা চিকনগুনিয়াগী কেস ১২,২৫৫ থেংনরে। দেঙ্গিগী কেস ২৭,৮৭৯ থেংনখিবগা লোয়নননা দেঙ্গি হিমোরেজিক ফীবরনা মরম ওইরগা মীওই ৬০ শিখ্রে। কুমজা ২০১৫ দদি দেঙ্গিগী কেস ৯৯,৯১৩ থেংনখিবগা লোয়নননা লায়না অসিনা মরম ওইরগা মীওই ২২০ শিখি।

লায়নাশিং অসি মপুং ফানা লাকশিন্নবগীদমক কাঙগী মশীং হন্থহন্নবা থৌরাং অমা মায় পাক্লা লৌখৎপা য়াম্নমক তঙাইফদে। মরম অদুনা হেল্ঠ দিপার্টমেন্ট অমদি মরী লৈনবা লোয়শঙ খুদিংমক্লা হীরম অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোকই।

মালেমগী থাক্তা পাঙথোকখিবা রিছার্চ ৱার্কশিংদা কাঙ পুন্নমক খুদক্তা হাৎপা য়াগদবা পাম্বে পুথোকপা ঙমদ্রি। মরম অদুনা কাঙ মরূম কোকহন্দনবা অমসুং মশীং হেনগৎহন্দনবা থৌরাংশিং লেপ্তুনা পায়খৎপা মথৌ তারি। নোংচুপ লৈবাকশিংদা তৌবগুম লৈবাক অসিদসু কাঙগী মরমদা চাউরাকপা অমা খঙদোকপগা লোয়নননা কাঙ হাৎনবা অমসুং মশীং হেনগৎহন্দনবা থৌরাংশিং মশক থোক্লা পায়খৎপা মথৌ তাই। লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙনা লৈকায় লৈকায়গী ক্লব অমদি ওর্গনাইজেসনশিংগা খুৎশম্নদুনা লূ-নানবগী থৌরাং লৌখৎপগা লোয়নননা কাঙ মরূম কোকপা য়াবা মফম লৈহল্লোইদবনি। ঈরম-নালা নীংথিনা চেলহনবগা লোয়নননা য়ুমগী অকোয়বা অমদি লৈকায় লৈকায়দা ঈশিং তুংদুনা লৈবা য়াবা য়াদবা ৱাশিং মেছিন, রেফ্রিজরেটর, গম্লা, টায়র বকেটনচিংবা হুন্দোক্লোইদবনি। ঈশিং খজিক্তুং তুংদুনা লৈবা মফমদা কাঙ অমোম্না মরূম চা কয়া কোকশিল্লি। শুপ্পগী চয়োল অমগী মনুংদা মরূমদগী কাঙ ওল্লকই। মরম অদুনা ঈশিং হাপ্পা পাত্র নৎত্রগা টেঙ্ক পুন্নমক চাং নাইনা শেংদোকপগা লোয়নননা মখুম চেৎনা খুমগদবনি। ইমুংদা কাঙ চঙলক্তনবা মতীক চাবা থৌরাং লৌখৎপগা লোয়নননা কাঙখল খল্লগা তূমগদবনি। চিকনগুনিয়া নৎত্রগা দেঙ্গিনচিংবা কাঙনা শন্দোকপা লায়না শন্দোরক্লবদি অমুক্কা হেন্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই। লৈঙাক্কা মরী লৈনবা লোয়শঙ অমসুং লৈবাক মীয়াম খুৎশম্নরবদতা কাঙনা শন্দোকপা লায়নাশিং মপুং ফানা লাকশিনবা ঙমগনি।

# ওজাগী নুমিৎকা লোয়নননা লিটরেরি মীট পাঙথোকখ্রে, ওজাশিংদা খুদোল তমখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৫(ঐচ এন এস): মালেমগী ওজাগী নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা য়াইরিপোক বামোন লৈকায়দা লৈবা কিদস' মোল্ড স্কুলদা টিচরস দে কম লিটরেরি মীট ২০১৭ পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপার্সন লাইশ্রম হরিপ্রিয়ারিনা অথোইবা মীথুংলেন, কিদস' মোল্ড স্কুলগী ফাউন্দর প্রিন্সিপাল মোইরাংথেম ইবোতোম্বীনা থৌরম মপূ ওইখি। ৱাই এম সীগী ৱার্দ নম্বর ১৭ কাউন্সিল্লর ইঙোচা, সোসল ৱার্কর কৈশাম কামিনিকুমার, পাষ্টর টি ঐচ সাম্যুএল, সী সী এ য়াইরিপোক লৈরোংথেলগী প্রিন্সিপাল ঐচ অবোই, কে ঈ বি আই চরাংপাৎকী প্রিন্সিপাল কে এস ঐচ ওপেন অমদি কিদস' মোল্ড স্কুলগী ফাউন্দর এল সাম্যুএলনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপার্সন হরিপ্রিয়ারিনা হায়খি, খুন্নাই অমা অফবা লম্বীদা শেমগৎনবা হোৎনবদা য়োৎশবী অমগী মখোঙ অহুমগী শক্লোন লৌরিবা মপা-মমা, ওজা অমদি মহৈরোয়শিংগী অপূনবগী থৌদাং লৈ হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি। থৌরম অদুগী মনুং চন্না স্কুলগী মায়কৈন্দগী ওজাশিংদা ইকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা অচম্বা খূদোলসু তমখি। স্কুল অদুগী মহৈরোয়শিংনা তোঙান-তোঙানবা কলচরেল প্রোগ্রামশিংসু উৎখি।

অমরোমদা, খা মণিপুর কোলেজ ককচীংগী মহৈরোয়শিংনা শীন্দুনা ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ৱাইরি পঞ্চাও পল্লুমদা লৈবা কোলেজ অসিদা মালেমগী ওজাগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মহৈরোয়শিংনা ওজাশিংদা অঙম্বা খূদোলপোৎশিং পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

মরকসিদা, কম্যুনিকেটিব ইংলিশ লেংগ্বেজ টিচিং ইন্সটিট্যুট (সী ঈ এও টি আই) থৌবালগী টিচরস দে কম পেরেন্টস টিচর মীটকী থৌরম ঙসি থৌবাল ময়াই লৈকায়দা লৈবা স্কুলগী অসিগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা জেদ ঈ ও থৌবাল, ৱাই মঙ্গি, এম য়ুগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইংলিশকী প্রো. এন জ্যোতিরিন্দ্র, থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপার্সন এ কে সনাতোম্বা অমদি স্কুল অসিগী ফাউন্দর প্রিন্সিপাল এ কে সঞ্জয়না অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা স্কুল অসিগী চহীগী ওইনা পুথোকপা মেগাজিন অমা অথোইবা মীথুংশিংনা ফোঙখি। মহৈরোয়শিংনা নাৎকী ওইবা থৌরম কয়াসু পাঙথোকখি। ওজাশিংদা ঙমজবা খূদোল কয়া তম্বগা লোয়নননা স্কুল অসিগী থোইদোক-হেন্দোক্লা মথৌদা পূক্লিং চঙবা ওজাশিং, মহৈরোয়শিং অমদি শান্নরোয়শিংদা খূদোলপোৎ পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি। মহৈরোয়শিংনা ওজাশিংদা ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়নননা খুদোলপোৎশিং তমখি।

# মতম শাংনা শেমজিন্দ্রবা খা মণিপুর কোলেজ তাবা লম্বী মীয়াম্না শেমজিনখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৫(ঐচ এন এস): ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী মনুং চন্না লৈবা ককচিং কৈথেলদগী খা-মণিপুর কোলেজ লম্বী তাখিবা লম্বী মতম শাংনা শেমজিন্দনা লৈরকখিবা শরুকশিং মীয়াম্না ঙসিদগী শেমজিনবা হৌখ্রে।

সেনা এথলেটস ওর্গনাইজেসন ককচিং ৱাইরিনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা ককচিং ৱাইরিদা লৈবা ক্লবশিং, ককচিং পোপ্যুলর স্পোর্টিং ক্লব, ককচিং টাউন ক্লব, এদভান্স ভলুন্টিয়র ওর্গনাইজেসন, য়ুথ য়ুনিয়ন ক্লব অমসুং আইদিয়েল য়ুথ এসোসিয়েসন্না পুন্না খুৎশম্নদুনা মীয়ামগী মতেংগা লোয়নননা লম্বী অদু ঙসিদগী শেমজিনবা হৌখিবনি। লম্বী শেম্বা অসিদা ককচিং এ সীগী এম এল এ, ৱাই সুরচন্দ্র, কন্ত্রেক্তর কোইরেং, ককচিং নিংথৌ লৈকায়দগী সোসল ৱার্কর নাওরেম কোবিদ, ককচিং মোইরাংথেম লৈকায়দগী এম রতনকুমারনচিংবা মীওইশিংনা অহানবগী ওইনা চাউনা মতেং পাঙদুনা শেমজিনবা হৌবনি। লম্বী অসি শেমজিনবদা মখা তানা মপুং ফানা শেমজিনবা য়ানবগীদমক লমদম অদোমগী মীয়াম্না অঙম অঙম্বা মতেং পাঙবীয়ু হায়নসু অশিন-অরাংগী মায়কৈদগী মীয়ামগী পুক্লিং চিংশিল্লকখি।

নীংশিংবা য়াবদি, হায়রিবা লম্বী অসি ককচিং কৈথেলদগী খা মণিপুর কোলেজ তাখিবা শরুক অসি য়াম্না মরুওইবা লম্বীনি। লম্বী অসিদা খা মণিপুর কোলেজ, ককচিং পব্লিক স্কুল, পদ্মা রত্না ইংলিস স্কুল, আই টি আই ককচিং অমদি অতৈ স্কুলশিংগী মহৈরোয় কয়াগী চৎথোক চৎশিন তৌরিবা লম্বী অমসু ওইরিবনি। কিলোমিটর অমরোমতমক শাংবা লম্বী অসি ককচিং এ সী অমসুং ৱাবগাই এ সীগী মনুংদা লৈবা মীয়াম্না ককচিং কৈথেল কারকপদা খ্বায়দগী মরুওইবা লম্বী অমসু ওইরি। লম্বী অসি নোংজুথাদা লৈখোম থোকপা অমসুং কোম কোম লৈবনা মহৈরোয়শিংনা স্কুল চৎথোক চৎশিন তৌবদা অশোক অপন থোকখিবা লৈখ্রে।

## বি জে পিদা য়াওরকপশিং ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৫: বি জে পিদা নৌনা চঙলক্লবা মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিল্লর অমদি ৱার্দ মেম্বরশিং তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে। বি জে পিদা নৌনা চঙলক্তুনা তরাম্না ওকখ্রবা কাউন্সিল্লর অমদি ৱার্দ মেম্বরশিং অদুদি, ৱার্দ নম্বর ২গী কাউন্সিল্লর হেমাম রোমাবালা, ৱার্দ নম্বর ২গী মেম্বর ঐচ বাবু, ৱার্দ নম্বর ২গী মেম্বর প্রমেশ্বর, মোইরাং ম্যুনিসিপাল বোর্দকী এক্স প্রসিদেন্ট ঐচ কালাবাবু অমদি সোসল ৱার্কর তোম্বোইনি। তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা মোইরাং এ সীগী এম এল এ, পি শরতকুমার, বি জে পি মণিপুরগী হান্নগী প্রসিদেন্ট এস ঐচ শান্তিকুমার শর্ম্মা, জেনরেল সেক্রেটরি এন নিম্বস, সেক্রেটরি এল তেজকুমারসু য়াওখি।

# পি এম য়ু ৱাইগী মখাদা এল পি জি কন্নেক্সন লেম্না পীখ্রে
# ফঙফম থোকপা বিনিফিসরিশিংদা খুদোংচাবা ফঙহনবা তঙায়ফদে: বিশ্বজিৎ



ইম্ফাল, ওক্টোবর ০৫(ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ওক্রম চুথেক্তা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সকী মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বজিৎনা প্রধান মন্ত্রি উজ্বালা যোজনা (পি এম য়ু ৱাই) স্কীমগী মখাদা বিনিফিসরি ৬৪ দা লেম্না এল পি জি কন্নেক্সন পীখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা আই পি আর মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বজিৎনা হায়খি, লায়রবা মীয়ামগীদমক সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টনা স্কীম ১০৬ কী মথক্তা লোঞ্চ তৌখ্রে। সোসিও ইকনমিক কাষ্ট সেন্সস দাতাগী মতুংইন্না ফঙফম থোকপা বিনিফিসরিশিংদা ফঙহন্নবা হোৎনবা তঙায়ফদে। লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা পি এম এ ৱাইগী ফঙফম থোকপা বিনিফিসরিশিংদা ফঙহন্নবগীদমক গ্যাস এজেন্সীশিং, পঞ্চায়তকী মীহুৎশিংনা নীংথিনা মীৎয়েং চঙদুনা ফঙফম থোকপা বিনিফিসরিশিংদা ফঙহন্নবা হোৎনবা চঙই। স্কীম অসিগী মখাদা লায়রবশিংদগী খ্বায়দগী লায়রবা এল পি জি গ্যাস থোংদ্রিবশিংদা এল পি জি কন্নেক্সন পীনবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা মীৎয়েং চঙলি। স্কীম অসি পায়খৎলকপগী মরুওইবা মরমদি নুপীশিংনা চাকখুমদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদু কোকহন্নবগীদমক পায়খৎলকপনি।

পি এম য়ু ৱাই অসিনা চাকখুমদা নুপীশিংনা ৱানা মৈখু মরক্তা চাক থোংগদবা অদুদগী হন্থহন্দুনা এল পি জি গ্যাস থোংহন্নবা হোৎনরকপনি। উমং কোকথোকপা, শিং থিবগী চাংসু হন্থরক্কনি। উমং কোকথোরকপনা মরম ওইদুনা লেন্দ স্লাইদনচিংবা কয়া থোরকপগী মরম ওইহল্লি। স্কীম অসি মপুং ফানা য়ৌশ্রবা মফমদদি শিংগীদমক উ ককপগী চাং হন্থরক্কনি। প্রধান মন্ত্রি উজ্বালা যোজনা অসি ইনর্জি সেব তৌনবা পান্দমদা লোঞ্চ তৌখিবনি। স্কীম অসিগী মখাদা এল ঈ দি বল্ব সবসিদাইজ রেটতা ফঙহল্লি। মসিদা চহী অহুমগী ৱরেন্টিসু য়াওরিবনি।

লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা মীওইশিংদা ফঙফম থোকপা স্কীম কয়া অসিগী খুদোংচাবশিং নীংথিনা ফঙহন্নবা হোৎনবা চঙই। বিনিফিসরিশিংনা সেন্ত্রেল স্পোন্সর স্কীমশিংগী খুদোংচাবা ফঙনবগীদমক বেঙ্ক একাউন্তনচিংবা হাংদোক্তুনা দি বি টিগী খুথাংদা স্কীমশিং অসিগী শেনফম ফঙনবা হোৎনবা তঙায়ফদে। খুঙ্গংগী লমশিংদা তোঙান তোঙানবা স্কীমশিংগী মরমদা নীংথিনা খঙহন্নবা হোৎনবা চঙই। এদ্যুকেসন, ইনফোর্মেসন এন্দ কম্যুনিকেসনগী প্রোগ্রাম মখাদা ষ্টেট লৈঙাক্লা মফম কয়াদা হোল্ডিং থেংনবা থৌরাং তৌরি। সেন্ত্রেল স্কীম কয়াগী মরমদা হোল্ডিংশিংদা তোঙান তোঙানবা লোলদা ইদুনা ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা থেৎতুনা খঙহন্নবা মীৎয়েং থল্লি। ষ্টেট অসি চাউখৎনবা হোৎনবদা লমদম অসিদা লৈরিবা ঐখোয়গী পুন্নমক থৌদাং য়াম্না চাউই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা আই ও সীগী দেপ্যুটি মেনেজর (এল পি জি) ষ্টেফেন চিনখাসন গুইতেনা ফোঙদোকখিবদা, বি পি এল প্রুব দোকুমেন্ট, আধার কার্দ, বেঙ্ককী অকুপ্পা ৱারোলনচিংবা য়াওনা বিনিফিসরিশিংনা স্কীম অসিগীদমক রেজিষ্টার তৌবা য়াই। হোম দেলিভরি সিষ্টেমনচিংবগী থৌরাং কয়াসু তৌরি। কষ্টমরশিংগী কমপ্লেন্নচিংবা কয়া তৌনিংবা লৈরবসু তোল ফ্রিনম্বর ১৯০৬ তা তৌবা য়াগনি। মসি লেম্না কন্নেক্সন পীরিবা এম এস বাসিখোং ইন্দেন গ্রামিন বিত্রক, বাসিখোং ইম্ফাল ইষ্টকী খুথাংদা তৌগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই, প্রধান মন্ত্রি উজ্বালা অসি ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কুমজা ২০১৬ গী মেদা উত্তর প্রদেশতা লোঞ্চ তৌখিবনি। স্কীম অসিগী মখাদা এল পি জি কন্নেক্সন ক্রোর মঙা হেন্না লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা ইমুং মনুংশিংদা পীনবা পান্দম থল্লি। ইন্দিয়াগী খুঙ্গংগী লমশিংদা লৈরিবা নুপীশিংনা চাক থোংবদা মৈখু মরক্তা ৱানা থোংলিবা কয়া অসি য়েংলগা স্কীম অসি হৌদোকখিবনি।

# 'ক্বার্টর থাদোক্লবা হায়রকপা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি'

ইম্ফাল, ওক্তোবর ০৫(ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চান্দেলগী মায়কৈদগী চান্দেলগী ক্বার্টর লাইনদা লৈরিবশিং নুমিৎ তরেৎনিগী মনুংদা ক্বার্টর থাদোক্লবা হায়রকপা ৱাফম য়ানিংদে হায়না চান্দেল নাগা পীপল ওর্গনাইজেসন, নাগা ষ্ট্যুদেন্টস য়ুনিয়ন চান্দেল অমদি নাগা ৱুমেন য়ুনিয়ন চান্দেলগী প্রসিদেন্টনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থা অসিগী ৩ দা সো কোজ নোটিস অমা ইস্যু তৌদুনা ক্বার্টর লাইনদা লৈরিবশিং ক্বার্টর ভেকেট তৌনবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেটিব চান্দেলনা খঙহল্লকখি। তেল্লবা মতম অসিদা মতৌ করম্না ক্বার্টর লাইনদা লৈরিবশিং ভেকেট তৌগদৌরিবনো। ক্বার্টর লাইনদা লৈরিবশিং অয়াম্বনা গভর্নমেন্ট ইমপ্লোয়ীশিংনি। লৈঙাক্লা থৌরাং অমা তৌদনা অসিগুম্বা ওর্দর অমা হেক্তা ইস্যু তৌবা অসি য়ানিংদে। সো কোজ নোটিস অসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না অথুবদা ৱিদ্রো তৌগদবনি।

অমরোমদা, সী এন পি ও এন দব্লিউ য়ু সী অমদি এন এস য়ু সীগী মায়কৈদগী লৈঙাক্লা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা ইমা মার্কেট শানবগী ৱাফম পুথোরকখিবা তরাম্না ওকই। মরী লৈনবা ওথোরিটিদা নীংথিনা কোওপরেসন পীগনি। সোচ্ছকী মতুংইন্না শাগদৌরিবা অসি নুপী কৈথেল খক্তনি হায়না তাই। কনাগুম্বা খরনা ক্বার্টর লাইন লৌথোক্লবগী অপাম্বা লৈ। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনদসু দিমান্দ তৌই। প্রোজেক্ট অমা পায়খৎপা মতমদা মদু চপ চাবা মফমদা পায়খৎকদবনি। লৈঙাক্লা ক্বার্টর লাইন লৌথোক্লবগী থৌরাং তৌবা চুমলোই। হীরম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবা চুমগনি হায়রি।